# সনালৈবাক স্পোর্টস

SUNDAY, JANUARY 5, 2014, PAGES 7




*ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রফল নদালনা গেল মোলফিলসপু মায়থিবা পীরগা কাটর ওপন্সকী টাইটল লৌখ্রে। নদালনা ফাইনেল মেটচ মনুংদা শান্নখিবগী মতাং অমা*

*চহি ১৯ মখা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী পাকিস্টানগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্তেইন বিজয় জোলনা শোট অমা য়ৈখিবা*



## এসএসবি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ক্রুগপু নম্বোলবু মায়থিবা পীরগা সেমিফাইনেল চঙখ্রে
# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নেরোকাগা এসএসয়ুগা ঙসি থেংনরগনি

FOOTBALL

| QUARTER FINAL MATCHES |
|---|
| SSU vs NEROCA<br>5-1-2014 (1.30 PM) |
| RFC MIZORAM vs NISA<br>6-1-2014 (1.30 PM) |



57TH CC MEET FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* মপানগী টিম অনি মায়থিহৌখ্রবগী মতুংদা এস এস বি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ক্রুগপু নম্বোলবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৫৭ শুবা সি সি মীটকী অনিশুবা সেমিফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চহি অসিগী ওইনা চথরিবা সি সি মীটকী ঙসিনা এস এস বি অমদি ক্রুগপুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৫ শুবা মিনিটতা এস এস বি গী ঐচ বিশ্বরজিৎ সিংহনা ঐচ গোবিন্দ সিংহগী পাসতা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা গোল ১–০ দা মাংজিল থাখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলগী থাক চঙনবগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌখি।

অনিশুবা হাল্ফকী শরুক্তা লোকেল টিম অমা ওইরিবা ক্রুগপুনা মমাংগী হাল্ফতা শোখনা লৈখিবা গোল্ড অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নরবসু মসিগী ওন্না তৈনবদা এস এস বিনা ৬০ শুবা মিনিটতা এনজি জিৎকুমারগী পাসতা ঐচ গোবিন্দা সিংহনা অনৌবা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মায় পাকহনখি।

এস এস বি না মেটচ অদু মায় পাক্লবসু টিম অসিগী শান্নরোই ৪ না য়েলো কার্দ চাবনা মরম ওইদুনা মিস কন্দক্ট প্লে ওইখিবগা লোয়ননা শিল্লি লাংলিবশিংদা লুপা লিশিং ৫ গী ফাইন থিগদৌরি। এস এস বি গী য়েলো কার্দ বুক তৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি অসিটকুমার মালিক, ও বিজেশ্বর সিংহ, কেঐচ মনাওবা সিংহ অমদি ঐচ বিশ্বরজিৎ সিংহদা মথংশিংনা ৪১,৪৫,৭১অমসুং ৮৩ শুবা মিনিটশিংদনি।

ক্রুগপুগী মায়কৈদসু শান্নরোই অহুম এন্থোনি কবুইনা ৪২শুবা মিনিটতা, এস হেরোজিৎ ৬৬ শুবাদা অমদি ৱাই ইনাও ৮৮ শুবদা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

এস এস বি গী ফার্ষ্ট এলভেনদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এস টি থাংথাং কোম, অসিটকুমার মালিক, এল রঞ্জন, লিতোন সিল, ঐচ গোবিন্দা সিংহ, রঞ্জিৎ কার্ফোমা, রনা দিপদাস, ঐচ মনাওবা সিংহ, ও বিজেশ্বর সিংহ, এ জয়কুমার সিংহ অমদি আটিফ রসুলনি।

গ্রুগপুকী ফার্ষ্ট এলভেনদা শান্নখিবা শান্নরোইশিংদি দব্লিউ জোনসন বেন, ৱাই ইনাও, সুরেস রাই, ঐচ অনিলকুমার, এন্থোনি কবুই, এল মঙলেম্বা, এস হেরোজিৎ সি ঐচ অনন্দকুমার, টিঐচ চিংথংখোম্বা, ঐচ বিরজিৎ অমদি এ হেরোজিৎনি।

## Roll Of Honour CC Meet Football Tournament

| YEAR | WINNER | RUNNERS UP | YEAR | WINNER | RUNNERS UP |
|---|---|---|---|---|---|
| 1950 | 4th Bn. A.R | Manipur XI | 1981 | TRAU (By Court Verdict) | .............. |
| 1951 | Manipur XI | Taren Assam | 1982 | Not held | .............. |
| 1952 | 4th Bn. A.R | Manipur XI | 1983 | Y. Ph. U. | Nagaland Police |
| 1953 | Tankhul S.A. | DSA Dibrugarh | 1984 | Not held | .............. |
| 1954 | 4th Bn. A.R | Margherita | 1985 | BSF, Jullunder | SSU |
| 1955 | Margherita | DSA, Silchar | 1986 | Manipur Police | SSU |
| 1956 | NACO | Kuki S.C. | 1987 | Abandoned | ............. |
| 1957 | 4th Bn. A.R | Imphal S.C. | 1988 | Manipur Police | TRAU |
| 1958 | Kohima XI | DSA, Golaghat | 1989 | Manipur Police | TRAU |
| 1959 | 4th Bn. A.R | Imphal S.C. | 1990 | Not held | ............. |
| 1960 | TRAU | 4th Bn. A.R. | 1991 | NACO | MPC |
| 1961 | TRAU | NACO | 1992 | ESU | All India SSB |
| 1962 | Not held | .......... | 1993 | USA | All India SSB |
| 1963 | NACO | TRAU | 1994 | All India SSB | NISA |
| 1964 | YAC | TRAU | 1995 | All India SSB | Nagaland Police |
| 1965 | Zeliangrong | TRAU | 1996 | All India SSB | ESU |
| 1966 | Imphal S.C. | Y.A.C. | 1997 | Not held | ............. |
| 1967 | ESU | Imphal S.C. | 1998 | Not held | ............. |
| 1968 | ARST | Thermal S.C. | 1999 | SSB | YSWA |
| 1969 | ARST | NISA | 2000 | NEROCA | SSB |
| 1970 | ARST | TRAU | 2001 | SSU | MPSC |
| 1971 | Abandoned | ......... | 2002 | ESU | NEROCA |
| 1972 | IBSA & ESU (Jt.Winner) | | 2003 | SSU | Citizen's Club |
| 1973 | USA & MPC (Jt. Winner) | | 2004 | TRAU | YWC-TH |
| 1974 | TRAU | ESU | 2005 | SSU | MPSC |
| 1975 | Aryans | Rajasthan | 2006 | SSU | Nagaland Police |
| 1976 | U.Ph.U. | Manipur Police | 2007 | NISA | AMOFA |
| 1977 | Manipur Police | Y. Ph. U. | 2008 | Assam Rifles | NEROCA |
| 1978 | Manipur Police | Y. Ph. U. | 2009 | TRAU | TRUGPU |
| 1979 | Not held | .......... | 2010 | Lajong F.C. | TRAU |
| 1980 | Manipur Police | Y. Ph. U. | 2011 | NEROCA | Assam Rifles |
| | | | 2012 | NEROCA | Assam Regimental Centre |

# টিম ১১ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ১৫ শুবা সেনা কপ হৌরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা সেনা এঠলেট ওর্গনাইজেসন, ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা হয়েংদগী টিম ১১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা ১৫ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব–জুনিয়ার বোয়জ সেনা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচদা সাও ককচিংগা য়ু বি এস এ মন্তক্কা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

| LEAGUE MATCHES | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Date | Time | Team Vs Team | Group | Match No. |
| 05/01/2014 | 1:30 pm | SAO V/s UBSA | A | 1 |
| 06/01/2014 | 1:00 pm | JA V/s AVO | B | 2 |
| | 2:30 pm | KTC V/s KFC | C | 3 |
| 07/01/2014 | 1:00 pm | AKSA V/s SWC | D | 4 |
| | 2:30 pm | UBSA V/s YWU | A | 5 |
| 08/01/2014 | 1:00 pm | AVO V/s IYA | B | 6 |
| | 2:30 pm | KFC V/s YPO | C | 7 |
| 09/01/2014 | 2:00 pm | YWU V/s SAO | A | 8 |
| 10/01/2014 | 1:00 pm | IYA V/s JA | B | 9 |
| | 2:30 pm | YPO V/s KTC | C | 10 |
| Quarter Final (Knock out) Matches | | | | |
| 13/01/2014 | 1:00 pm | Winner Gr. A V/s Runner Gr. C | P | 11 |
| | 2:30 pm | Winner Gr. B V/s Runner Gr. D | Q | 12 |
| 14/01/2014 | 1:00 pm | Winner Gr. C V/s Runner Gr. A | R | 13 |
| | 2:30 pm | Winner Gr. D V/s Runner Gr. B | S | 14 |
| Semi Final (Knock out) Matches | | | | |
| 15/01/2014 | 2:00 pm | Winner P V/s Winner Q | X | 15 |
| 16/01/2014 | 2:00 pm | Winner R V/s Winner S | Y | 16 |
| Final (Knock out) Match | | | | |
| 19/01/2014 | 1:30 pm | Winner X V/s Winner Y | Z | 17 |

মেটচ ১৭ লৈগদবা কপ অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৯ দা শাগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফিকচর ঙসি ফোঙখ্রে।

# একাত্রেন মায় পাক্লগা ক্বাটর চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* এম রবিচন্দ্র ত্রষ্ট ক্যামগেনা শিন্দুনা ক্যমগে আইদিয়েল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা একাত্রেন কোংপালনা কে ৱাই সি ককৱাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

একাত্রেনগী মায় পাকপগী গোল অনিদু কোর্নান অমদি বোরোনা ২৪ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। কে ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন্থোনিনা ৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টিম অনিমক্কী শান্নরোই অহুম অহুমদা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। একাত্রেনগী য়েল্লো কার্দ চাখিবা শান্নরোইশিংদুদি সুনন ৮ নিশুবা মিনিট, কোর্নান ২২ নিশুবা অমদি রতন ৬০নিশুবদনি। কে ৱাই সি গী শান্নরোইশিং অদুদি হোমেন্দ্রো ২০ নিশুবা মিনিট, রোবিনসন ৩৭ শুবা অমদি এন্থোনি ৬০ শুবা মিনিটতনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা কে ঐচ এফ সি ক্যামগেগা নজির য়ুনাইটেদ ক্ষেত্রিগাওগা শান্নগনি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রীমিয়র কপ সেলেক্সন
# কৃপসানা ফ্লাইয়ো মায়থিবা পীখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রেমিয়র কপ্তা শরুক য়ানবগী ষ্টেট অসিগী টিম অমা খন্নবগী ঙরাংদগী হৌদুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা সেলেক্সন কম্পিটিসনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কৃপসা নাওরেমথোংনা ফ্লায়ো থাংমৈবন্দবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরগা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

কৃপসাগী মায়পাকপগী গোলশিং অদু কেঐচ রাজা, টিঐচ তোন্দোনবা অমদি টি ঐচ রাহুলনা মথংশিংনা ৬, ৩১অমদি ৩৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

ফ্লাইয়োগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন ধ্রুবনা ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনিটতা কৃপসাগী কেঐচ রনাজিৎতা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা কৃপসানা গোল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু অনিশুবা হাল্ফতা ফ্লাইয়োনা গোল ১ হন্দোকপা ঙমখি। কৃপসানা হাল্ফ অদুদদি মখা তানা গোল চনবা ঙমখিদে।

হয়েং নুংথিল পুং ১২.০৫ দা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলগা বি এম এস সি তাউবুংখোক্কা শান্নগনি।

# মোদেল ক্লবনা ক্রাউবু রন ৯১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* য়ুথ ৱেলফেয়র ক্লব পাংশোই পার্ট ৱাননা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর–১৫ বিরলা মেমোরিয়েল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা ক্রাউবু রন ৯১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু ক্রাউনা টোস ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসগী বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা ওভর ১৯.৪ দা ৱিকেট পূম্নমক তুরগা রন ১৮০ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা ইন্দ্রজিৎনা বোল ৫৮ দা রন ১৩ অমদি রোহিদনা বোল ১৬ তা রন ২০ লৌখি। ক্রাউগী বোল্লর বিদেশ্বরনা ৱিকেট ৫ লৌখি। ক্রাউনা মোদেল ক্লবনা থম্লমখিবা টার্গেট ১৮১ গী পাউখুম পীনবগীদমক অনিশুবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৯.৫ ৱিকেট পূম্নমক তুরগা শুপ্নতগী রন ৯০ খক লৌবদগী রন ৯১ দা মায়থিবা নংখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা সেঞ্চুরি য়ৈখিবা মোদেল ক্লবকী ইন্দ্রজিৎনা তাখি। হয়েং ত্রাউগা হোক আইসকা শান্নগনি।

# এময়ু ফেন্সিং টিমনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ ১ লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* পঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটি পটিয়ালাদা থা অসিগী ২ দগী চথরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিমনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্চ অমমম লৌখ্রে।

সিলভর মেদল অদু মেন্স ফোইল টিম ইভেন্টতা পি জুগোলচন্দ্র, দব্লিউ রোসন, আর কে খোমদোনসনা অমদি রাকেস সাপমগী টিমনা পঞ্জাবি য়ুনিভর্সিটি টিমগী মখুৎতা পোইন্ট ১৮–১৪ দা মায়থিখিবদগী ফংহৌখিবনি। ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা ৱুমেন্স সেভর ইন্দিভিজুয়েলগী সেমি ফাইনেলদা কে ঐচ চেরিসনা পঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটিগী কমলগী মখুৎতা পোইন্ট ১২–১৫দা মাইথিদুনা ফংখিবনি।

# বিসিসিআইগী টুর্নামেন্টশিংগী খনখ্রবা ক্রিকেটরশিংনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্রি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৪ঃ* বি সি সি আইগী টুর্নামেন্টকী চহি ১৬, ১৯ অমদি ২৫ মখাগীদা শরুক য়ানবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না খল্লবা ক্রিকেটরশিংনা থা অসিগী ৬ কী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্রি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্দা এফিলিয়েসন তৌরবা ক্লব অমদি দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা মখোয় মখোয়গী ক্রিকেটরশিং মতম চানা রিপোর্ট তৌহল্লগদবনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি ঐচ বিরমঙ্গল সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্রি।

# ইভানোভিকনা চহিসিগী অহানবা ওইনা উকলেন্দ টাইটল লৌখ্রে



*ৱেলিংটন, জনুৱারি ৪ ঃ* সর্ভিয়াগী শান্নরোই মতম অমগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা অনা ইভানোভিকনা অমেরিকাগী গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়ারক হন্না লৌখ্রবা ভেনস ৱিল্লিমসপু মায়থিবা পীদুনা অনৌবা চহি অসিগী নিউ ইয়ারগী খুদোল ওইনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক অহানবা সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহি ২৬ তা ঙাইহিরিবী অনা ইভানোভিকনা সেমি ফাইনেল মেটচতা স্পেইনগী অনাবেল মেদিনাবু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীখি। মহাক্না ফাইনেল মেটচ অসিদা অমেরিকাগী ৱিল্লিয়মস মচিন মনাওগী অহন ওইরিবী গ্লান্দ স্লাম টাইটল ৭ লক ফংবা ঙমখ্রবী মশাগী চহি ৩৩ শুরবী ভেনসপু ৬–২, ৫–৭, ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মখোয় অনিমক চহি অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা শরুক য়ানবগী অয়াবসু ফংখ্রে। অনা ইভানোভিকনা অহানবা ওইনা ভেনসকা মেটচতা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবসি হৌখিবা চহি ২০০৮ গী ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন্দনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনিশুবা সেটতা ৱিল্লিয়মনা ইভানোভিকপু ৫–৭ তা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অমমম মায় পাক্লবনিনা শান্নরোইশিং অসিনা অহুমশুবদা সেট শান্নবসি দব্লিউ টি এ গী রুলগী মতুং ইন্ননি। স্লামগী মেটচশিংদদি ফাইনেল মেটচতা ৱুমেন্সকীনা সেট ৩ মায় পাক্কদবনি। ঙসিগী অরোইবা সেট অদুদসু ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী নহা ওইরিবী শান্নরোই অসিনা য়াম্না লাকচনা ৬–৪ দা, মাইথিবা পীখিবনি। ইভানোভিকনা মায় পাক্লবা মতুংদা মেটচ অসিদা রনর্স অপ তাহৌরবী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোই অসি য়াম্না নিংথিনা শান্নে। ভেনস মশানা ফাইনেলদা চঙলকখিবসি জেমি হেম্পটোননা মহাক্না শান্নগদবা সেমি ফাইনেল অদুদা হেম্পটোনগী রাইট হিপতা অনাবা অমা লৈবনা মরম ওইদুনা সেমিফাইনেল অদুদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী মহাক্না ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# সিজন অসিগী ওইনা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ ঃ আর্সিনি ৱেঙগর

EPL STANDINGS

| TEAM | MP | W | D | L | P |
|---|---|---|---|---|---|
| Arsenal | 20 | 14 | 3 | 3 | 45 |
| City | 20 | 14 | 2 | 4 | 44 |
| Chelsea | 20 | 13 | 4 | 3 | 43 |
| Liverpool | 20 | 12 | 3 | 5 | 39 |
| Everton | 20 | 10 | 8 | 2 | 38 |



*লন্দন, জনুৱারি ৪ঃ* আর্সিনেলগী মেনেজর অর্সিনি ৱেঙগরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম অসিনা সিজন অসিগী ওইনা চেম্পিয়ন ওইবগী থাজবা লৈ হায়রি। চহী ১০ গী মমাংদা প্রেমিয়র লীগকী টাইতল লৌখিবা অদুগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবা টাইতলগী খৌরাংনা ঙাইরকখিবা অদু সিজন অসিদা মঙফাওনরগনি হায়নসু মখা তাখি।

পনবা য়াবদি ঙরাং ন্যু ইয়র নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা আর্সিনেলনা কার্দিফ সিটিবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীদুনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ২০ শান্নবা ১৪ মায় পাক্লগা, ৩ দ্রো ওইরগা অমদি ৩ মায়থীরগা পুন্না পোইন্ট ৪৫ ফংদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ২০ শান্নবদা পুন্না পোইন্ট ৪৪ ফংদুনা অনীশুবদা অমদি চেলসিনা মেটচ ২০ শান্নখিবদা পুন্না পোইন্ট ৪৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা আর্সিনেলগী নিক্লাস বেন্টনর অমদি থিওু ৱালকোটনা মায় পাকপগী গোলশিং অদু চনখি।


ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

ANGELS' COACHING CENTRE IMPHAL

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014
TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726